# অসামগী হান্না চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা তরুন গোগোই কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে



গুৱাহাতি, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সি):

অসামগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা তরুন গোগোই কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়না ভেটরান কোংগ্রেস লিদর অসিনা ত্বিটরদা ফোঙদোরকখ্রে।

মশাগী চহী ৮৬ শুরবা কোংগ্রেসকী লুচিংবা অসিনা ত্বিটরগী খুথাংদা হায়খি, চিংননিংঙাই ওইবা লাইওং উখোরকপদগী টেষ্ট তৌরুবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখিবনি। হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা পার্টিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী পান্দমদা তোঙান তোঙানবা মফমদা চৎলুবা মরম্না মীওই কয়াগা উন্দুনা ৱারী শানখি। মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লিগী মীখল মাঙওইননা কোংগ্রেসগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা তোঙান তোঙানবা মফমদা চত্তুনা মীওই কয়ামরুম উনখিবনি।

রিপোর্টঅমগী মতুং ইন্না গোগোইনা অসামগী হান্না চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা অজন্তা নিওগকা লোয়ননা হৌখিবা নুমিৎ খরনি তোঙান তোঙানবা মফমদা চত্তুনা পার্টিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎখিবনি। অজন্ত নিওগসু লৈবাকপোকপা নুমিত্তা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়না কনফার্ম তৌখি। কোংগ্রেসনা হন্দক্তা এ আই য়ু দি এফকা খুৎশম্নদুনা লাক্কদৌরিবা এসেমব্লিগী মীখলদা বি জে পি মায়থিবা পীনবা থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রবনি।

তরুন গোগোইগা নক্নবা সোর্স অমনা হায়খি, হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অসিগী লোইনবীসু টেষ্ট তৌরুবদা নেগেটিভ ওইরম্লে। দোক্তরশিংনা গোগোইবু নুমিৎ খরনি হোম ক্বারন্টিন তৌনবা খঙহল্লকখি।

চৈরকসিদা, অনৌবা কেস ১,৯৭৩ হেনগৎলকপগা লোয়ননা অসামগী অপুনবা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং ৯৪,৫৯২ য়ৌরে। মীওই ৮ লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা লৈখিদবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা শিখিবা মীওই ২৬০ শুরে হায়না হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্বা সরমনা ফোঙদোকখি।

খ্বাইদগী ইকোন কোন্না লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা মীওই অহুমদি কামরূপ মেট্রোপোলিটান দিষ্ট্রিক্তগীনি। নলবারি, বক্সা, কর্বিঅংলোং, গোলাঘাট অমসুং মাজুলিদগী মীওই অমমম শিখি। ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯না শিহনবগী চাং চাদা ০.২৭ ওইরে। নৌনা পোজিটিভ ওইরকখ্রবা মীওই ১,৯৭৩ গী মনুংদা কামরূপ মেট্রোপোলিটানদগী ৫১০, কছারদগী ১৪৯, জোর্হাটতগী ১৪২, কামরূপ রুরেলদগী ১২১ অমসুং দিব্রুগরদগী ১১৬ য়াওরি। অসামদগী লেজিসলেটর অনী - কোংগ্রেসগী অজন্তর নিওগ অমসুং এ জি পিগী রামেন্দ্র নরায়ন কালিতাসু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখ্রবনি।

# সেপ্তেম্বর ১ দগী মীফম হৌরগনি

আইজোল, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সি):

নুমিৎ হুম্নি চথগদবা মিজোরাম এসেমব্লিগী অখন্নবা মীফম সেপ্তেম্বর ১ দগী হৌরগনি হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

এসেমব্লিগী স্পীকর লালরিনলিয়ানা সাইলোনা ময়াই তাংবল লৌদুনা হন্দক্তা বিজিনেস এদভাইজরি কম্মিটি (বি এ সী)গী মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা সেপ্তেম্বর ১ দগী মীফম হৌনবা ৱারেপ লৌখিবনি। সেপ্তেম্বর ৩ ফাওবা এসেমব্লিগী মীফম পাঙথোক্তুনা মরু ওইবা ৱাফম কয়া খন্নবগা লোয়ননা বিল খরসু পাস তৌরগনি হায়না এসেমব্লিগী কম্মিসনর অমদি সেক্রেটরি ঐচ লালরিনোমানা পি টি আইদা ফোঙদোকখি।

মীফম হৌবা নুমিত্তা লৈখিদ্রবা মেম্বরশিংগী মফমদা ওবিচুয়রি রেফরেন্স পীগদৌরি। হান্নগী স্পীকর হিফৈ অমসুং রোকামলোভা য়াওনা হন্দক্তা লৈখিদ্রবা মেম্বর ৫ গী মফমদা ইকাই খুম্নবা উৎপা ওইনা ৬ শুবা মীফম হৌবা নুমিত্তা ওবিচুয়রি রেফরেন্স পীগদবনি। হন্দক্কী মীফম অসিদা গভর্নরনা ৱা ঙাঙবগী থৌরম য়ারোই হায়রি।

# তরুকশুবা সেদ্যুলগী ষ্টেটস পীনবা তকশিনগদৌরি

ইটানগর, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সি):

অরুনাচল প্রদেশ গভর্নমেন্টনা ষ্টেট অসিবু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী তরুকশুবা সেদ্যুলগী মখাদা অখন্নবা ঙাকলৌ ফংহন্নবা তকশিনগদৌরি। ষ্টেট অসিদা খুন্দারিবা য়েলহৌমীশিংগী রাইট মপুং ফানা ঙাক শেন্নবগী পান্দমদা অখন্নবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। ষ্টেটকী হোম মিনিষ্টর বমাং ফেলিক্সনা হায়খি মদুদি, ওগষ্ট ২৪ দা চীফ মিনিষ্টর খন্দুনা ময়াই তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা কেবিটেনগী মীফম্না সেন্টরদা ৬ সেদ্যুলগী ষ্টেটস তকশিন্নবা ৱারেপ লৌখি।

অরুনাচল প্রদেশবু ৬ সেদ্যুলগী মখাদা লৈহন্নবগী মতাংদা রিজোল্যুসন অমা ষ্টেট এসেমব্লিগী মীফমদা পাস তৌহল্লগনি। ভুটান, চাইনা অমসুং ম্যান্মারনা লোন্নবা ষ্টেট অসি হৌজিক হৌজিক মঙাশুবা সেদ্যুলগী মখাদা লৈরি। মরম অদুনা য়েলহৌমীশিংদা অখন্নবা রাইট ফংহনবা ঙমদ্রি।

# অসাম রাইফলসকী পর্সনেলশিংগী মথক্তা সেক্স্যুয়ল হরাসমেন্টকী কেস ফাইল তৌখ্রে



আইজোল, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সি):

চম্ফাই দিষ্ট্রিক্টকী খুঙ্গং অমদা নুপী মোলেষ্ট তৌখিবগী মতাংদা অসাম রাইফলসকী পর্সনেলশিংগী মথক্তা মোলেস্টেসনগী কেস অমা ফাইল তৌখ্রে। চম্ফাই দিষ্ট্রিক্টকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস রেক্স জাজেলিয়ানা বানচোংনা হায়খি মদুদি, ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দর ঙাক্লিবা অসাম রাইফলসকী পর্সনেলশিংগী মথক্তা কেস অমা চম্ফাই পুলিস ষ্টেসনদা রেজষ্টর তৌরে। কেস অসিগা মরী লৈননা অসাম রাইফলসকী পর্সনেলশিং ষ্টেটমেন্ট পীননবা খঙহনখ্রে। ইনভেষ্টিগেসন চথবগা লোয়ননা কেস অসিগী লাংলান লাংজিন পুথোক্লবা হোৎনরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ৱাই এম এগী লুচিংবা অমনা হায়খি মদুদি, নোংপোক থংবা মিজোরামগী ম্যান্মরগা লোন্নবা চম্ফাই দিষ্ট্রিক্টতা অসাম রাইফলসকী পর্সনেলশিংনা নুপী ২ মোলেষ্ট তৌখি হায়বগী ৱাকৎ অমা লাকখি। থৌদোক অসি ওগষ্ট ১৫ দা নুপী খরনা লৌবুক্তা থবক শুররুরগা ময়ুমদা হল্লকপগী লম্বীদা থোকখিবনি। অসাম রাইফলসনদি ৱাফম অসি অরানবনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবা কমপ্লেন্ট অমত্তা ফাইল তৌরকপা লৈতে হায়না শেংদোকখি।

অমরোমদা, সী ৱাই এম এনা ২৩ শুবা সেক্তর অসাম রাইফলসকী কম্মন্দরদা অইবা চেরোল অমা থাদুনা থোকখিবা থৌদোক অসিগী মতাংদা লাল্লে হায়জনবা খঙহনখি। ৪৬ শুবা অসাম রাইফলসকী পর্সনেল ৩ না প্রোতোকোল পুন্নমক থুগায়দুনা মরাল লৈজদবা মিজো খুন্নাইদা চথরক্লিবা থৌওং অসিগীদমক মতিক চাবা থবক লৌখৎফম থোকই হায়নসু ৱাই সী এম এনা তকশিনখি। মমাংদা অসাম রাইফলসনা মিজোরাম গভর্নমেন্টপু যুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসকী গাইদলাইন ঙাক্ত্রে হায়না মরাল শীখিবগা লোয়ননা ভাইরেংতে চেক গেটতা দ্যুটি তৌবা পুলিস ওফিসলশিংনা রেপিদ এন্টিজেন টেষ্ট তৌদনা মীওই কয়া চৎথোক-চৎশিন তৌহল্লে হায়না ফোঙদোকখি।

## ষ্টেটকী পাউ

# এ আরনা লুপা লাখ ৩২ রোমগী ময়াই কাবা চিঙাক্কী পোৎলমশিং ফাগৎখ্রে





ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস) :

হেদ ক্বাটর আই জি আর সাউথকী মখাদা অসাম রাইফলগী ট্রুপ অমনা ঙসি অয়ুক পুং ৬ রোম তাবদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সিতা লৈফম খুল্লেন জঙ্কসন্দগী দ্রগকা মরী লৈনবা পোৎলমশিং ফারে।

ট্রুপ অসিনা সিতা লৈফম খুল্লেনদা চিংনবা মীওইশিং লাকপা ঙাইরিঙৈদা কেনবো বাইক অমা লাকখি। এ আরগী ট্রুপ অদু উবদগী কেনবো বাইকতা লাকপা মীওই অদুনা মানা পুরকপা পোৎশিং অদু লংথরম্লগা নাম্থোক্তুনা চৎখি। এ আরনা পোৎলমশিং অদু চঙশিন্দুনা চেক তৌরুবদা লুপা লাখ অহুম লোমগী ওইগদবা ৱিন চুরুট কার্টন বোক্স অনী, গোজিল্লা কোইন লুপা ৬৪,০০০ রোমগী কার্টন নিপাল অমদি ক্বা শুপারি লুপা ৯০,০০০ রোমগী ওইগদবা বোক্স ১৫০ য়াওনা ফাগৎখি। ফাগৎখিবা পোৎলমশিং অদু মালেমগী কৈথেলদা লুপা ৪,৫৮,০০০ রোম ওইগনি হায়রি। ফারবা পোৎলমশিং অদু পল্লেলগী কষ্টম দিপার্টমেন্টদা খুৎশিন্নখ্রে।

এ আরগী ট্রুপ অসিনা ঙসি নুমীৎয়ুংবা পুং ১২ রোম তাবদা তেংনৌপলগী চেক পোষ্টতা ইকো ভেন এ এস ০১ বি বি ৭৭২৮ (গ্রে মচু) অমা খামদুনা চেক তৌবদা ব্রাউন সুগরগা কোন্ননা নুপা অমা ফারে। ফারবা নুপা অদুগী মমিংনা লেটখোপাই হাওকিপ (২৫) অপোকপা লেটখোলুন হাওকিপ কৌই। মহাক চুরচান্দপুরগী তুইবুং টি দি ব্লোককী মোন্নাফাই খুন্দা লৈবনি। মঙোন্দগী ব্রাউন সুগর মালেমগী কৈথেলদা লুপা লাখ ২৮ রোমগী ওইগদবা পেকেট ১১দা য়োম্লগা পুরম্বদগী ফারে। ফারবা মীওই অদু নার্কোটিক কন্ট্রোল ব্যুরোদা মখা তানা থীগৎনবা খুৎশিন্নখ্রে হায়না এ আরগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# য়ূমগী গেটতা হেন্দ গ্রেনেদ ১ থম্লম্লে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস) :

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসনা কোনবা য়াইরিপোক টুলিহল তাবোকপীদা লৈবা এম কে গ্রুপ ওফ কম্পনি প্রাইভেট লিমিটেদ ওফিসসু তৌরিবা সঞ্জিৎকী য়ূমগী গেটতা ঙসি অয়ুক পুং ৪.৫৮ রোম তাবদা শকখঙদবশিংনা হেন্দ গ্রেনেদ অমা প্লাষ্টিক খাউ অমদা হাপ্লগা য়াল্লম্লে।

মফম অদুদা হেন্দ গ্রেনেদ অমা লৈরে হায়বগী পাউ অদু ইমুং-মনুংগী মীওইনা পুলিসতা পাউ পীরগা অয়ুক্কী পুং ৮.৫৪ রোম তাবদা অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমদি পুলিসকী বোম এক্সপার্টশিং লাক্লগা হেন্দ গ্রেনেদ অদু লৌখৎলগা অয়ুক পুং ৯.২০ রোম তাবদা ঙারিয়ন খোংনাং মখোংদা পুরগা অশোয় অঙাম য়াওদনা পোকখায়হনখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায় হেন্দ গ্রেনেদ থম্লম্লিবা য়ূম্বু অদুগী মমিংনা নোংমাইবম সঞ্জিৎ (৩০) অপোকপা এম দি য়াইমা কৌই। মহাক য়াইরিপোক টুলিহল তাবোকপীদা লৈবনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা অন্দ্রো পুলিসনা কেস অমা লৌখৎতুনা থীজিনবা হৌখ্রে। অমরোমদা ঙসি অয়ুক নোংমাইবম সঞ্জিৎকী য়ূমদা শক খঙদবশিংনা চাইনানা শাবা হেন্দ গ্রেনেদ অমা য়ূমগী গেটতা য়াল্লম্বা অদু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি লৈকায়গী মীওইশিংনা ৱাকৎ মীফম অমা য়ূমগী গেট মমাংদা চথখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়ারিবা নুপী অমনা ফোঙদোরকপদা য়ূম কুংনা তারিবা মফমদা বোম থমজিন্দুনা মীচম মীয়ামদা অকি তুজুংবা পোকহনবা অসি য়ানিংদে। ফনা নুংঙাইনদবা লৈরবসু পুন্না ফমীন্নদুনা য়ানবা অমা পুরক্নবা হোৎনবিয়ু। থৌদোক অদু মরী লৈনবশিংনা অথুবা মতমদা শেংদোকপীরকউ। লোয়ননা অসিগুম্বা থৌদোক অসি মতুংদা অমুক হন্না তৌবিগনু হায়রি।

# য়ুঙৌ ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ : কোভিদ-১৯ লাইচৎ মরকসিদা এক্সাইজ ষ্টেসন য়াইরিপোক্না ময়াই কাবা চীঙাক্কী মায়োক্তা চথবা দ্রাইভকী শরুক অমা ওইনা ঙসি মীওই অনী য়ুঙৌ পুদুনা চৎলম্বদগী ফাগৎখ্রে। মীওই অনী অদুদগী ফাগৎখিবা য়ুঙৌশিং অদুগীদমকসু কম্মিস্নার এক্সাইজদা ফাইন থিহনখ্রে। মখা তানসু ময়াই কাবা চীঙাক ফাবগী দ্রাইভ অসি চথখিগনি হায়না এক্সাইজ ষ্টেসন য়াইরিপোক্কী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

# তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ : মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎকী পাউতাক মতুংইন্না থোঙাম দারা অমদি পাওনা মেমোরিএল ক্লবকী মেম্বরশিংগা খুৎশম্নদুনা ক্লব অসিনা কোনবা কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোকখ্রবা মফম খরদা হোম ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈরিবা ইমুংশিংদা থক্নবা ঈশিং অমদি নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা তেংবাং পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে। মীয়াম্না অৱাবা কয়া মায়োক্নরিঙৈ অসিদা মতেং পাংবীরকপগীদমক মিনিষ্টর টি ঐচ থোঙাম বিশ্বজিৎপু পাওনা মেমোরিএল ক্লবকী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়না উচেক্কোন তাখোক মপালদা লৈবা পাওনা মেমোরিএল ক্লবকী সেক্রেটরি জেনরেলগী চেরোলনা ফোঙদোরক্লি।

# চীফ মিনিষ্টরনা থাজবা পীবদগী খোঙজং মতম খরগী ওইনা হন্দোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস) :

নিংথৌখোংদগী লাইশ্রম অঙম্বা মীশিগা মরী লৈননা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎকনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা থাজবা পীবদগী মীশি অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সীনা মীয়ামগা লোয়ননা চঙশিল্লকখিবা খোঙজং মতম খরগী ওইনা হন্দোকখ্রে।

জে এ সী এগেনষ্ট দ ব্রুটেল কিল্লিং ওফ লেট লাইশ্রম অঙম্বগী কনভিনর টি ঐচ নোরেন্দ্রোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লাইশ্রম অঙম্বা মীশিগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সীনা তাল্লিবা দিমান্দশিং মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা থবক্তা ওন্থোকপীরক্তবদগী খোঙজং চঙশিল্লকখ্রবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টরনা ঙসি জে এ সীগী মীহুৎশিংগা উননবা খঙহল্লকখি। মসিগী মতুংইন্না জে এ সীগী কনভিনর টি ঐচ নোরেন্দ্রোনা লুচিংবা মীহুৎশিংগা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগা উনখি। উনবা অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা মীশি অসিগী মতাংদা য়াম্না লুম্না লৌবগা লোয়ননা থম্মোয় শোক্না অৱাবা ফোঙদোকখি। লোয়ননা অথুবা মতমদা মীহাৎ অসিদা চেন্নবশিং শোয়দনমক পুথোক্কনি। করিগুম্বা মথৌ তারবদি ক্রাইম ব্রাঞ্চকী মতেং ফাওবা লৌরকপা য়াই হায়বগী ৱাফম ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টরনা মীশি অসিদা চেন্নবশিং শোয়দনমক পুথোরক্লগনি হায়না থম্লকখিবা ৱাফমদা থাজবা থম্লগা জে এ সীনা চঙশিল্লকপা খোঙজং মতম খরা য়ৈথোকপা হায়না লেপ্লরে। করিগুম্বা চেন্নবশিং পুথোরক্তবা তারবদি মীয়ামগা লোয়ননা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিনগনি। ঙসি চীফ মিনিষ্টরগা জে এ সীগী মীহুৎশিংগা উনখিবা অদুদা দি জি পি, এল এম খৌতে অমসুং এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজমসু শরুক য়াখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রবা মফমগী খুঞ্জাশিংদা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস) :

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচন্না লৈবা লম্লাইদা পূন্না মীওই ১৬ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী খুল অসি কন্টেন্টমেন্ট জোন ওইনা লাউথোকখিবদগী মীওই ৭০০ রোম য়ূমদগী মপান থোকপা য়াদনা লৈরকখি। খুল অসিগী মীওইশিংনা য়ূমদগী মপান থোকপা য়াদনা ৱানা লৈরিবা অসিদা মতেং পাংবা ওইনা বি জে পি মনিপুরগী ষ্টেট কাউন্সিল মেম্বর খোংবান্তাবম ইবোমচানা শেলগী মতেং ওইনা লুপা লিশিং ৩৮ খুৎশিন্নখ্রে।

তেংবাঙ অদু খুল অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ অসি মখা তানা শন্দোরক্তনবা হায়দুনা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎপগী থবক তৌরিবা লম্লাই কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সকী কনভিনরগী খুৎথাংদা শিন্নখিবনি হায়রি। কোভিদ-১৯ চৎন-কাংলোনশিং ঙাক্না মী য়ামদনা পাঙথোকখিবা তেংবাঙবগী থৌরম অদুদা সোসল ৱর্কর অমদি বি জে পি মনিপুরগী ষ্টেট কাউন্সিল মেম্বর খোংবান্তাবম ইবোমচানা হায়খি লম্লাই খুল পূম্বা কন্টেন্টমেন্ট জোন লাউথোকখিবা মরমনা য়ূমদগী মপান থোকপা য়াদবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নবগা লোয়ননা চান-থক্নবা পোৎলমশিং ৱাৎশিল্লকপগী থেংনরিবা অৱাবশিং অদুদগী খরদং ওইরবসু কোক্ননবা শেলগী মতেং অসি অনীরকশুবা ওইনা পাংখিবনি।

মখা তানা অৱাবা তারবা খুঞ্জাশিংগীদমক লেপ্পা লৈতনা অঙম্বা তেংবাঙ কয়া পাংখিগনি হায়খি। লোয়ননা হৌজিক-হৌজিক লম্লাই এ সীগী মনুংচন্না লৈবা খুলশিংগী পাকচাওরবা লৌফমশিংদা ৱাহিক কৌবা তিল মখল অমা তাশিল্লক্তুনা ফৌ পাম্বীশিং ঙাংশিল্লকপগা লোয়ননা কংশিল্লক্তুনা শিবা য়াওনরক্লে। মরম অদুনা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা লাকপীদুনা য়েংশিনবিয়ু হায়নসু মহাক্না লৈঙাক্কী পুক্নিং চিংশিল্লক্লি।

# মৈ ফংলোই

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস) :

মন্ত্রিপুখ্রিদগী চুম্ব্রেথোং ফাওবদা তিংলিবা ১১ কে ভি লাইন শেমজিন-শাজিনগদবা লৈবা মরম্না ১১ কে ভি মন্ত্রিপুখ্রি টু ফীদর অসি লাক্লিবা ওগষ্ট ২৭ অমসুং ওগষ্ট ৩০ গী অয়ুক পুং ৮ দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা প্লান সটদাউন তৌজগনি। মরম অসিনা ফীদর অসিগী কঞ্জ্যুমরশিংনা হায়রিবা পুংফম অসিদা মৈ ফংলোই হায়না আই ঈ দি-ফোর, এম এস পি দি সী এলগী দেপ্যুটি জেনরেল মেনেজরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# এৱ্যারনেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস) :

আই আর সী এস, বি দি বি অমদি কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সনা শীন্দুনা কোভিদ-১৯গী মতাংদা নোংমগী ওইবা এৱ্যারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি ঙাইখোংসিফাই কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে। বিষ্ণুপুর জয়পুর খুলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা আই আর সী এস বি দি বি চেয়রমেন দা. দল্লিয়ু গুলাবী, মেম্বর আর কে নবকুমার অমদি দিষ্ট্রিক্ট সেক্রেটরি জগৎনা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি।

# তোঙান-তোঙানবা মফমদগী মীওই ২২৪ রোম ফ্লাইট মঙাদা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ঐচ এন এস) :


মণিপুরগী ৱাংমদা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ২২৪ রোম ঙসি ফ্লাইট মঙাদা পুদুনা ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এরপোর্টতা পুরকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ১০.৪৪ রোম তাবা মতমদা এয়র এসিয়া আই ৫-৭৮৩ ফ্লাইটনা দিল্লি অমদি গুৱাহাটিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৫১ ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে। অনীশুবা ফ্লাইট ইন্দিগো ৬ ই ৪৫৭ অসিনা ঙসি অয়ুক পুং ১১ রোম তাবদা গুৱাহাটিদা পন্দুনা লৈরম্বা পূন্না মীওই ৩১ ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখি। অহুমশুবা ফ্লাইট এয়র ইন্দিয়া ৯১-৭৪১ অসিনা ঙসি নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.২৫ রোম তাবদা গুৱাহাটি অমদি দিমাপুরদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ২৪ রোম পুশিল্লকখি।

মরিশুবা ফ্লাইট ইন্দিগো ৬ ই ৬৩২৩ অসিনা ঙসি নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৫৮ রোম তাবদা কোলকাটাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১২৩ রোম ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখি। মঙাশুবা ফ্লাইট ইন্দিগো ৬ ই২০১৯ অসিনা ঙসি নুংথিল পুং ১.২৭ রোম তাবদা দিল্লিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৯৫ রোম ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখি। ঙসি ফ্লাইট মঙাদা পুরকখিবা মীওই ২২৪ অদু ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা লৈবা মেদিকেল ষ্টাফশিংনা স্ক্রিনিং তৌখি। মতুংদা বসতা পুরগা ঘড়িদা লৈবা ঐচ আর দি একেদেমিদা থমখি। মফম অদুদা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মরী লৈনবা মীওইশিং লাক্লগা মখোয় ক্বারন্টিন তৌনবা অমুক পুখি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা মে ২৫দগীনা ঙসি ফাওবদা মপান লমদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওইশিং ইম্ফালদা পুশিল্লকখিবা অসি পূন্না ২৯,৩২০ রোম শুখ্রে হায়রি।

# CROSSWORD-3542



**ACROSS**

1 Formerly (4)
3 Newspapers, collectively (3,5)
9 Breed of cat (7)
10 Gesture of doubt or indifference (5)
11 Slumber (5)
12 Dapper (6)
14 Slates (anag) (6)
16 Fast (6)
19 Agatha Christie detective (6)
21 Mountain ash (5)
24 Behave badly (3,2)
25 Very active (2,3,2)
26 Completed (8)
27 Landlord's income (4)

**DOWN**

1 Contrary (8)
2 Use bad language (5)
4 Fair-and-square (6)
5 Difficult question (5)
6 Otalgia (7)
7 Savant (4)
8 Uncomplicated (6)
13 Becoming extinct (5,3)
15 Abbreviate (7)
17 Equivalence (6)
18 In one's own house (2,4)
20 Strong thick cords (5)
22 A question of place? (5)
23 Abandoned child (4)

**Solution 3541**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| R | A | N | C | H | E | R | ■ | P | E | P | Y | S |
| I | ■ | I | ■ | I | ■ | E | ■ | L | ■ | R | ■ | H |
| C | O | P | E | D | ■ | S | I | A | M | E | S | E |
| O | ■ | P | ■ | E | ■ | I | ■ | I | ■ | D | ■ | E |
| T | H | Y | R | O | I | D | ■ | D | E | I | G | N |
| T | ■ | ■ | ■ | U | ■ | E | ■ | ■ | ■ | C | ■ | ■ |
| A | S | S | E | S | S | ■ | I | N | S | T | E | P |
| ■ | ■ | H | ■ | ■ | ■ | A | ■ | O | ■ | ■ | ■ | E |
| C | R | O | S | S | ■ | F | U | N | F | A | I | R |
| H | ■ | W | ■ | E | ■ | R | ■ | S | ■ | M | ■ | F |
| A | L | B | E | R | T | A | ■ | T | R | A | D | E |
| S | ■ | I | ■ | F | ■ | I | ■ | O | ■ | S | ■ | C |
| M | A | Z | E | S | ■ | D | E | P | O | S | I | T |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

# HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3341**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | | 5 | | |
| 7 | | | | 9 | 3 | | 8 | |
| | 8 | | | | 6 | 4 | | |
| 4 | | | 1 | | 7 | 3 | 9 | |
| | | | | | | | | |
| | 9 | 6 | 4 | | 8 | | | 2 |
| | | 8 | 9 | | | | 3 | |
| | 7 | | 8 | 4 | | | | 5 |
| | | 9 | | | | | | |

**Solution-3340**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 6 | 9 | 3 | 2 | 7 | 8 | 1 | 4 |
| 4 | 7 | 1 | 6 | 5 | 8 | 9 | 3 | 2 |
| 3 | 2 | 8 | 9 | 1 | 4 | 6 | 5 | 7 |
| 1 | 4 | 3 | 2 | 6 | 9 | 5 | 7 | 8 |
| 7 | 8 | 6 | 5 | 4 | 1 | 3 | 2 | 9 |
| 2 | 9 | 5 | 8 | 7 | 3 | 1 | 4 | 6 |
| 8 | 1 | 4 | 7 | 9 | 5 | 2 | 6 | 3 |
| 9 | 5 | 2 | 4 | 3 | 6 | 7 | 8 | 1 |
| 6 | 3 | 7 | 1 | 8 | 2 | 4 | 9 | 5 |

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers



কৈনু

ষ্টোরি অমসুং আর্ট : সামসন সলাম

